ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯥꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯶, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹꯰ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, জান্যুৱারী ২৬, ২০১৭, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ২৯০ শুবা মশীং

# রিপব্লিক দে বোইকোট

## মণিপুরগী মীয়ামদা সেন্টরনা খূৎ লান্থোকহন্নীংই

*দিমোক্রেসিবু* ওইরবসু কম্যুনিষ্টপু ওইরবসু মনীং মখা তন্বা লৈবাক খুদিংমক্কী নেসনল ফেষ্টিবল অমমম লৈ। হায়রিবা নেসনল ফেষ্টিবল অসি মায়থীখিবগী ওইরবসু, মায় পাকপগীবু ওইরবসু নৎত্রগা করিগুম্বা হীরম অমদা নুংঙাইবগীবু ওইরবসু মমিং অমা লৌরগা পাঙথোকই। ইন্দিয়াগীসু নেসনল ফেষ্টিবল অহুম লৈ। হায়রিবা অহুম অদুদি রিপব্লিক দে (২৬ জান্যুৱারী), ইন্দিপেন্দেন্স দে (১৫ ওগষ্ট) অমসুং গান্ধী জয়েন্তি (সেকেন্দ ওক্টোবর)নি। মপুং ওইবা থৌরম ইন্দিয়াগী কোংনুং দিল্লিদা পাঙথোক্লবসু ষ্টেট খুদিংমক্তা অসিগুম্বা নেসনল ফেষ্টিবলশিং অসি পাঙথোক্লে। মরম অদুনা ঙসি জান্যুৱারী ২৬ অসিদা মণিপুরসু ইন্দিয়ানা মপুং ফাবা রিপব্লিক অমা ওইদুনা মশাগী কন্সটিট্যুসন চৎনহনখিবা নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা অচৌবা থৌরম পাঙথোক্লনবা শেম শাবা লোয়খ্রে। দিল্লিদদি থৌরম অসিগীদমক লুপা ক্রোর কয়ামরুম হৈথদুনা মীওই লাখনা খুজিং ওইদুনা তিল্লগা পাঙথোক্লনবা শেম শারি। মপুং ওইবা থৌরমদি অয়ূক অঙনবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়া গেটতা লৈবা অথৌবশিংগী নীংশিং য়ুম্বীদা লৈ কৎকনি অমদি মার্চ পাষ্টকী কন্টিঞ্জেন্ট কয়ানা পীবা সেল্যুট প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিনা ওক্কদৌরি। মণিপুরদদি রিপব্লিক দেগী থৌরম অসি ফাগী তারকপা কুইরে। গভর্নমেন্টনা মপুং ফাবা থৌরম অমা ওইহন্নিংলবসু মীয়াম্না শরুক য়ানিংবগী চাং ৱাৎলকপদগী মমিং খক্তগী ওইনা পাঙথোক্লরে। অসিগুম্বা থৌরম অসি লালহৌলূপ কয়ানা বোইকোট তৌদুনা লাকই। মখোয়গী বোইকোটকী শরুক অমা ওইনা মফম কয়াদা বোম পোকখায়হনবা, জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌশিনবা অমদি থৌরম অসিবু শীল্লি-লাংলিবশিং অমসুং শরুক য়ারিবশিংদা অকি-অখঙ পীরি। লন্বী লমখাংদা বোম পোকখায়রগা শোক-পনগনি কিনবনা মীয়াম চথোক-চৎশিন তৌনদে।

ইন্দিয়ানা মশাগী ওইজবা কন্সটিট্যুসন শেমদুনা চৎনহনখিবা নুমিৎ অসিবু করিগীদমক ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়াম্না তরায়না লৌরক্লিবনো হায়বসি লম-লমশিং অদুগী অনিংবা-অপাম্বা লৈরমগনি। মণিপুরগী ওইনদি খুৎলায় পায়বশিংনা থৌরম অসি পাঙথোকপা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখিবা অমসুং তোঙান-তোঙানবা মরম খরননি। মনীং মখা তম্না পাঞ্জরম্বা লৈবাক অসি ইন্দিয়ানা নম্লৌ লৌখি হায়বদগী হৌরগা মনীং তন্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈগনি হায়বসিনা খূৎলায় পায়বা ইহৌ অসিগী পান্দম ওইরি। পান্দম অসি ফংবা নৎত্রগা ফংদবা হায়বদুদি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী অপাম্বদা লৈতে, মসিদি মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বগী মখা পোনগনি। নীংতম্বা তাল্লিবা খূৎলায় পায়বা লূপ অমনা মখোয়গী এক্টিবিটিশিং মীয়ামদা উৎপা অমসুং মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং মীপুম তীংনা য়ৌহনবা য়াবা কেম্পেন তৌবা হায়বসি মালেম পুম্বগী খূৎলায় পায়বা ইহৌগী শরুক অমনি। মরম অদুনা ইন্দিয়ানা মপুং ফাবা রিপব্লিক অমা ওইবগী নুংঙাইবদা ঐখোয়না করিগী শরুক য়াগদৌরিবনো হায়বসি লাললৌলুপশিংগী ৱাখল্লোননি। হৌজিক্তি নাকল অনীগী মরক্তা অচৌবা মুক্লবা লৈরে হায়বসিদি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা খঙশিন্নদবগী ৱানি, মালেমগী মীয়াম্নদি তপ্না-তপ্না খঙবা হৌনরক্লবনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি করিগীদমক ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরিবা নোর্থ ইষ্টকী মীয়ামবু মেইনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীওইশিংনা তাথি-তাওইনা তৌবীরিবা করিগীনো? মেইনলেন্দ ইন্দিয়ানা নোর্থইষ্টকীদমক চাউথোকচরকপা মতমদা মায়কৈ অসোমদা লালহৌবগী ঈরাং তপ্না-তপ্না মাংখিগনি হায়বসি অখঙ-অহৈশিংনা হায়নদুনতা লৈরবা ৱাফমনি। নীংতম্বা লৈবাক অমগী মনুঙ চল্লিবা ষ্টেট অমগী মীয়ামদা অফস্পা থমজিন্দুনা মীওৎ মীনৈ চথুরিবা, ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইখিবা চহী ফনা য়াল্লক্লবসু মশানা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বগী থাক য়ৌনা শেমগৎনবা ঙসি ফাওবা হোৎনবা লৈত্রি। য়ু এন সীনা চথুরিবা নুমিৎ ৮৭ নি শুরবা ইকনমিক ব্লোকেদকী চৈথেং নংলবা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা চূনবা মখলগী থৌরাং অমফাওবা লৌখৎতবা লৈবাক অসিদা ঐখোয়না কমদৌনা রিপব্লিক অমা ওইবগী নুংঙাইবগী মহাও অদু লৌগনি। মরম অদুনা মণিপুর মীয়ামদা সেন্টরনা হান্না খুৎ তিংথোক্তুনা নখোয়গীদমক ঐখোয় লৈরি হায়না পাম্বোম তিংবা মথৌ তাই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### ৱাখল অমুক্তা খন্থসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**অপংবনি** খল্লিবা মীচম মীয়ামসি অমনা হায়রবসু ময়াবা, অমনা থেল্লবসু ময়াবা, মীনা হায়বদা হোয়া ফৰগী মহুত্তা পূক্নিংদা অমুক্তংদি মুন্না খন্থসি কৈদৌবগে ইরমদম মণিপুরগী খল্লগা। সেন্তরদা কোংগ্রেসনা পাল্লগা কোংগ্রেসতা হেক্তা চোঙশিনবা, সেন্তরদা বি জে পিনা পাল্লগা বি জে পিদা হেক্তা চোঙশিনবা, অতোংবা অহোং অচাও থিদুনা অমদা অমুক হুন, অমদা অমুক ঙাঙ খদাংগী লান শোক্লবগী মহুৎ করম তৌরগা চুংশিন্নদুনা ব্লোকেদকী চৈথেংনা ৱারবা মণিপুর মীয়ামগী অৱাবা কোকহনসিগে হায়বগী ৱাখলদি খন্নদ্রে। অমরোমদা মীয়ামসু অদুমঙাই ভোটতা ঙাওদুনা অমগা অমগা ঙাঙনা শক্নদুনা চীন্দা পৌদানদুনা শাওনদুনা লৈরে। পোৎ চৈ তাঙবগী, ফংদবগী শকলোন অৱাবা অমত্তা উদনা লৈঙাক্না থোক্লা থোক্লবা হায়দুনা তুমিন লৈশিল্লি। চিন্দদি ৱারে মহায়বা, সেগা মাইগা তান্নদুনা লৈঙাক্তা করি তৌবা য়াবা নোংমতসু হৌনদে। অমরোমদা মখৌ পোংনা ঙাঙলিবা ৱা, কোংগ্রেস পুংমুৎ মুখৎকনি লাউরিবা বি জে পিনা সেন্তরদা মশাগী ওইবা কাঙবুদা তকখৎনদুনা এন এস সী এন (আই-এম) গা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্টগী নুংগী ওইবা অশেংবা ৱারোনশিং খঙদোক্লগা মীয়ামদা খঙহল্লবদি বি জে পিবু কয়াম থাগৎনগনি। মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হল্লোই হায়বনদি কান্নরোই। ব্লোকেদ চথুরিবা অসিসু মসিগী শরুক অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। য়ু এন সীনা অসুক কুইনা চথুরকপা ব্লোকেদনা মীয়াম ৱাহল্লিবা অসি খঙনা খঙনা ষ্টেটনা তৌগদবনি হায়দুনা য়েংদুনা লৈরগা ফৈ ফত্তে ঙাঙদুনা লৈবগী মহুত্তা ফ্রেমৱার্ককী নুংগী ৱারোল ফোঙদুনা ব্লোকেদ হন্দোকহন্নবা হোৎনবদি য়াদবরা? নখোয়সু মণিপুর মচা নত্তবরা? মণিপুর লৈঙাক্তা পংতাই তাইনবসু চুম্লোই। অরোনবা কনাগী ইথিল শোয়দনা য়াওরমগনি। মণিপুর লৈঙাক্লসু মাগী তৌনীংবা কয়া কাঙথোকপা ঙমদে, এগ্রিমেন্ট অমা চথদুনা লৈবা মরম্না। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়াকা য়েংনা চৎপনা ওইরমগনি অকনবা থবক লৌখৎপা ঙমদবা।

অমরোমদা থায়না ইপা ইপুগী ৱাহৈদা তিঙ্খং অমনা য়ুরবদি তিঙ্খং অমনা হল্লু হায়বসু তৌগদবা মরৈরে। মদুসু সেন্তরগী য়াথং ফংদবনা অৱা অনা নংবনি হায়দবা ঙম্লোই। জগোয় শাবা য়েংদুনা লৈবা সেন্তরগী সিফাইনি। পোলিটিক্সকী লীলাদা মীচম মীয়ামদি ওন্থোক্না ৱানরে। ব্লোকেদ হন্দোকউ হায়দুনা পাউচেগী থোঙদা খোল্লাও কয়া লাউজরবসু না কল্লবা য়ু এন সীবু মতৌ করম্না ৱারক্কদগে হায়বদু মপা মমা ওইরিবা সেন্তরনা হোৎনফম থোকত্রিবরা? সোমদা ভোটকী উংনরিঙৈদা লমদম অসি লৈঙাক লৈতবগা পাংখক ওইরে। মীচম মীয়ামসু ৱাখল মুন্না খন্নরগা করি করম তৌসিগে হায়বদু তানবা মতম য়ৌদ্রিবরা? ভোটতা ঈরাং তৌবগী মহুত্তা ইরমদম মণিপুর কনবনা ফত্তবরা? ৱাখল অমুক্তা খন্থসি করম তৌরগা তংদু লৈতাবা ওইগনি হায়বদু।

অমরোমদা চীংগী এম এল এশিংনা করি য়েংদুনা লৈরিবা, য়ু এন সীনা ঙল্লবরা? করি তৌরগা করম তৌসিগে হায়দুনা, হায়নবগী মহুত্তা ঈশিংদা লৈতুম থাদবদৌনা তুমিন লৈরিবসিনা করিগীনো? চিংনদবা ঙমদে। মীয়ামগী মীহুৎ ওইবদগী য়ু এন সীনা হেন্না লুম্না লৌরবরা? য়ু এন সীনা হেন্না লুম্না লৌরবদি করম হায়না চাওখৎপা মণিপুর ওইবা ঙমগনি। মীয়ামগী মীহুৎ ওইবিরবদি ফুরুপ নাইবগী লিচৎ থাদোকপা তাই। মালেমদা চীংগী শরুক য়াওরমদ্রবদি তমগী ফজবসু লৈরম্লোই, চীংমী লৈরমদ্রবদি তম্মীসু লৈরম্মোই পূম্নমক অমত্তনি। কৈগী মপান নাপীনা তাংই অদুগা নাপীগী মপানসু কৈনা তাংই। অপূনবা চান্না চিন্নবা অঙম্বা উপায় তৌদুনা শান্তিগী ৱারী শাবগী খোঙথাং লৌখৎপীরো।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা*
*ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক, ইম্ফাল*

# ৱাহন্থোক লৈতবা রিপব্লিক দে

### সোইবমচা ইন্দ্রকুমার

**জন** গন মন অধিনায়ক জয় হে/ভারত ভাগ্য বিধাতা/ পঞ্জাব, সিন্ধু, গুজরাট, মরাঠা/দ্রাবিড়, উৎকল, বঙ্গ/ বিন্ধ্য, হিমালয়, জমুনা, গঙ্গা/উচ্ছল জল বিধরঙ্গ/টব সুভ নামে জাগে/তব সুভ অসিষ মাগে/গাহে তব জয় গাথা/ জন গন মঙ্গল দায়ক জয় হে/ভারত ভাগ্যবিধাতা/জয় হে জয় হে জয় হে/জয় জয় জয় জয় হে। (পূম্নমক্কী পূক্নিংবু লাকশিনঙম্বা নহাক্নি/ভারত পুম্বই মরাইবক ইরিবসু নহাক্নি /পঞ্জাব, সিন্ধু, গুজরাট, মরাঠা/দ্রাবিড় (খা ভারত), উৎকল (ওরিষা), বঙ্গ (বেঙ্গোল)/পূম্নমক্কী থম্মোয়বু শুমহৎঙম্বা নহাক্নি। গঙ্গা জমুনা অনীগী ঈশৈ/খোন্থাং ওইনা নিলহল্লি। বিন্ধ্য-হিমালয় চীংজাওনা/চাউর ’ঈপাক্কী ইকোম্না/তাল ওইনা তান্থারি/নখূয়াদা থৌনিবা, নতীক্তবু শৈথাবা/ঈপোৎ ইরল পূম্বসু নখুত্তুদা লৈবনি/ভারতপূম্বই মরাইবক তন্বীরিবা নোংদম্বা/য়াইফরে, য়াইফরে, য়াইফরে নহাক্তনা য়াইফরে...।)

ইন্দিয়ানা নীংতম্বা লৈপাক ওইখ্রবা মতুং চহী অনী মখায়গী মতুংদা মশা মরোমদোম মরায়বক লেপ্পা ঙমজরবা লৈপাক অমা ওইরকখি। মীরৈবাকচা’না ঙাক্ত্রবা, মপান লৈঙাকচরবা লৈপাক অমা ওইরকখি ‘ইন্দিয়া’- জান্যুৱারী ২৬, ১৯৫০। নুমিৎসিবু ‘ইন্দিয়াগী রিপব্লিক দে’ হায়না, মথঙ চহীদগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা নীংশিং থৌরম পাঙথোরক্লি। ঙসি, ইন্দিয়া’না রিপব্লিক অমা ওইরকপা চহী হুম্ফুতরেৎ মপূম ফারকপগী নীংশিং থৌরম নুমিৎনি। চহী ৬৭ কী মমাঙ, জান্যুৱারী ২৪, ১৯৫০ ‘ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসন’ অসিবু ‘কনষ্টিট্যুয়েন্ট এসেম্লি’ না অয়াবা পীখিবা নুমিৎতুদা ৱারেংসিগী শৈহৌ ওইনা ইজরিবা ঈশৈ অসিসু ইন্দিয়াগী ‘নেসনল এন্থেম’ ওইনা শক্লবা ৱারেপ্পখি। হৌজিক মীয়াম্না শক্লরিবা ঈশৈ অসিগী ‘ময়েক অমদি পুর’ বিশ্বা কবি (মালেমগী অশৈবা) নি হায়নরিবা বেঙ্গোলগী ‘রবিন্দ্রনাথ টেগোর’ গীনি। নাউন ঙাক্তা শীজিন্নদুনা (নাউনবু ভার্বকী মথৌ তৌহন্দুনা) ফোঙদোক্লিংবা ৱাফমদু মরীক চুম্না ফোঙদোকপা ঙম্বা লোনশেমগীদমক থোইদোক্লা মমিং চৎখিবা ঈশৈ শৈরেং অসি ‘বেঙ্গোলি লোন’ দা ১৯০৫ দা ইখিবা ওইরগসু, টেগোর মশামক্না শৈবান্দুনা ইহান হান্না শকখিবদি ১৯১১, দিসেম্বর ২৭ তা কলকত্তাদা পাঙথোকপা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী ২৭ শুবা চহীগী মীফম অদুদনি। হায়নবা লৈ, ঈশৈ অসি ১৯১১, দিসেম্বর ৩০ দা কলকত্তা সহরদা থুংলগদবা ‘বৃটিশ নিংথৌরেল (ইম্পেরর) জোর্জ-৫’ বু তরাম্না ওক্লবা, মহাক্কী মতিক মগুন শৈথাদুনা ইখিবনি। অয়াম্বা ইন্দিয়নশিংনা য়ানীংদবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা অশৈবা মশামক্না, ১৯৩৯ দা মহাক্কী মরুপ ‘পুলিস বিহারি সেন’ কৌবা অমদা চিঠি ইদুনা শেংদোক্লম্মী। শেংদোক ৱারোল অদুদা মহাক্না হায়, শ্রীযুৎকী অৱাংবা থাক্কী ওফিসার অমনা ‘জোর্জ-৫’ না লাক্কদৌরিবা খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা ঈশৈ অমা ইবিনবা হায়জরকখি, হায়জ ৱারোল অদুনা মহাকপু মথুম-মরাং হৌহনখি, ইন্দিয়াগী লাইবক ইরিবসি কনানো - নোংদম্বা মপু (বিধাতা) নৎত্রগা বৃটিশ ইম্পেরর - পূক্নিংদুদা চমন্নখি, চমন্নবা মরক্তুদা ইথেকখি ঈশৈসিগী ‘ভারত ভাগ্য বিধাতা’, ‘... ৱাহৈসিনা ৱাথোকসিগী ৱারু ওইরম্বা য়াই, অদুবু মসিমদি থম্মোয় শেংনা হায়গনি ‘জোর্জ ৪-৫-৬’ ওইনীংবদু ওইসনু, মহাক্না ভারতবাসিশিংগী ভাগ্য-বিধাতা ওইবদি শুকয়া য়ারোই, মমাঙদসু ওইখিদে, ঙসিসু ওইদে, হয়েংসু ওইরোই...’।

ওইনীংবদু ওইরসনু, ঙসি রিপব্লিক দে নুমিৎতা, নুমিৎসিগা মরী লৈনবা ৱারেং অমত্তং ইগে খল্লুবসিদা চমন্নবা অমা থোক্লকপনি - করি হায়না তমসিগে? রবিন্দ্রনাথনা চমন্নখিবদুগুম্বনি - রিপব্লিক দে নুমিৎ অসিদা ঐনা হরাউনীংঙাই করি লৈ? নুমিৎসিবু সেলেব্রেট তৌদৌরিবা করিগীনো? ইমা লৈপাক ভারতপু শৈথারিবা গুরুদেবগী ঈশৈ-শৈরেং অসিদা বঙ্গালগী ৱাংমদা খুন্দাবিবা মীয়াম অমদি লমদমসিগী শৈথারোল য়াওদে। মরমদি, মতমদুদা মণিপুর অমদি অৱাং নোংপোক লমদম পূম্নমক ভারত ইমানা নাউকোল্লমদে, করম্নসু শৈথারুনি? মণিপুরবুদি য়াম্না নুংশিখিবনি রবিন্দ্রনাঠ, মণিপুরী জগোয়বুসু পামজখি মথম্মোয়না, বিশ্ব ভারতি লিংখৎপদা মণিপুরী জগোয় হাপ্লিবনি। ইন্দিয়াগী মনুং চল্লন্নবা মণিপুরবু শোয়দনা শৈথারমনি ঈশৈদুদা। ইন্দিয়ন পূম্ববু লীপুন ওইনা পুন্দৌরিবা কনষ্টিট্যুসনগী ৱারোল ময়ামদুদা ভীস রাও, অম্বেদকরনসু লমদমসিগী চৎনলোন শোয়দনা ইকায়খুম্নরম্নি। চীংনুংদা লৈবা চীংমীশিংগী কষ্টমরি লোনা পুনবা ফুরুপ মচা অমগুম্বা লায়থোক্লম্লে। মহাক্না কনষ্টিট্যুসন অদু ড্রাফ্‌ট তৌরিঙৈ, মণিপুরগী কনষ্টিট্যুসন শেমখ্রে, মীয়ামগী মীখল পাঙথোকখ্রে। অদুগুম্বা ফুরুপ অমবু ইন্দিয়াদা নমতিন তিলহনখ্রগা, কনষ্টিট্যুসন’না ঙাকলৌ পীদ্রবা মীওই কাঙলুপ অমগুম লীশাঙ শিংনা থম্লকপনা, লমদমসিগী মীয়াম্না কনষ্টিট্যুসন অসিবু ইকায়খুম্নবা ঙমদবনি। চহী কয়া লীশাং শিংনা ‘রিপব্লিক দে থৌরম য়াওফম থোক্তে য়াওরোই’ হায়রক্লিবা কাঙবুসিবু লমহেনবা/লমকেৎপা/হায়বা ইন্দবা/ হুরানবা/লালহৌবা ওইনা থৌরম অমা ওইনা লৌরকখি, থৌরমসি য়াওবা/য়েংবা লাকপা মীশিংনা অয়ূক অঙনবদগী লন্বী খুদিং পীক পীক থন্না চৎনরম্মী। ঙসিদি, থৌরম অসি কান্নদবা থৌরমনি খন্নরক্লিবা করিগীনো? গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়িশিংতগী ওইবা, চৈ থাদুনা চৎহনবা অয়েংশিংগী মমাঙদা পাঙথোকপা কান্নদবা থৌরম ওইরক্লিবসি কুইরক্লে। লৈঙাক ওথোরিটিসু খন্থবা মতম ওইরক্লে।

মোদিনা হায়, চহী ৩৫ গী মখাদা লৈবা নহা মশীং খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা লৈপাক ইন্দিয়ানি, নীংতল্লবা মতুংদা পোকপা নুপা অমনা অহানবা ওইনা লৈঙাক চুপলি পায়রকপনি মাগী ঙৌক, মতমগা চুনদ্রবা দিভলপমেন্ট মোদেল হোংদোক্কদবনি, ইন্দিয়াগী মশক পুমওন ওন্থোক্কদবনি (ট্রান্সফোর্ম তৌগদবনি) ... অসিনচিংবা কয়া। লৈঙাক্লোনদি হোংদনা, লৈঙাক করম হোংগনি? নিংঙাই চাউবা অঙাংগী নিংঙাইদুদি হংদনা নিংঙাই করম থেমগনি? মণিপুর মীয়াম্বু ওৎলিবা, মৈদা ঙৌগুম ঙৌরিবা নিংঙাইজাও অমই নিংঙাইদা কনামত্তগী ৱা তাদ্রবা সেন্তর-লৈঙাক-কনানা ইকায় খুম্নরক্কনি? দিল্লি অমদি মেইনষ্ট্রিম ইন্দিয়াগী চাওখৎপগী চাকথুংদা শরুক অমত্তা থুংদ্রবা মীয়াম’দা চাওখৎলক্লিবা ইকোনোমি মোদেল - তাৎ পাৎকী কুন্দৈনি।

পূক্নিংসিনা ৱাদবসু ঙমদে - ইজখ্রিবা ৱাহৈ খরসি পারগা অপাবশিংনা শোয়দনা লান্না লৌবিখিগদ্রা - বোয়কোৎ তৌবা কাঙবুগী মীচংদা লেপ্লগা এন্টি-ইন্দিয়ন-ফিলিং কনখৎনবা হোৎনরিবা ? নত্তে। মিং ফাওবা ইন্দিয়ন মিথোলোজিগী মরুওইবা শক্তম অমগী মমিং লৌদুনা থোল্লম্লবা, ইন্দিয়ন হিষ্টরিগী চাইগোইনুংদা চাউরকপা, ইন্দিয়ন অমনি খঞ্জবদা পোক্লম্বা নাপল তপ্না তপ্না থুদেক্লকপা ... পূম্নমকসিনা ৱাখলসিদা য়ৈরকপা কুইরে - “ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসন নৌনা ইথোকপা নত্তনা, মচোয় মচোয় তারক্লবা ইন্দিয়নশিংগী ৱাখল, অমুক তাশিনহনবা ঙম্লরোই।’

অদুগা, অরোইবদা ’সিমগা খল্লকই - য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসকী ক্রাউন প্রিন্স ‘মোহম্মদ বিন জয়ীদ অল নহয়ন’, দিল্লি রিপব্লিক দে পেরেদকী অথোয়বা মীথুং! পেরেদ অসি লোইরগা ইন্দিয়াগী মরমদা করি ৱাখল পুরগা মরানয়াইদা হনখিগদগে?

# কুমজা ২০১৭ ইলেক্সনগী এদভান্স ত্রেনিং প্রোগ্রাম

### সোরোক নোরেন

***ময়াম্থু*** খুরুমজরি। ঙসিগী কাখলদা পুজরক্লিবা ৱাফম অসি মরুওইনা হন্দক লাক্লিবা ১১ শুবা জেনরেল এসেম্লি ইলেক্সনগী এদভান্স ত্রেনিং প্রোগ্রামগী শরুক খরনি। মমাঙদদি ইলেক্সন নোটিফিকেসন থোক্লবা মতুংদা পোল্লিং পার্সনেল খুদিংমক্কী ত্রেনিং প্রোগ্রাম হেক হেক পাঙথোকপনি। অদুবু হন্দক্তি য়াম্না ঙন্না ইলেক্সনগী মতম হেক লাউথোরকপগা হাপ্তা অমগী মতুংদা ইলেক্সন পার্সনেলগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম তৌগনি হায়দুনা ওর্দর থোক্লকখি। মসিদা নত্তনা ইলেক্সনগীদমক্তা শীজিন্নবা গাড়ীসু য়াম্না ঙন্না ফাজিনবা হৌখি। মসিনা তাকপদি হন্দক্কী ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী থৌদাং য়াম্না চেকশিন্না তৌবগী মওং খরদি উরি। লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা ফ্রী এন্দ ফেয়র ওইহন্নবগী পান্দম পায়খৎলক্লিবরা হায়বসি য়েংবা য়াই। ইলেক্সন হেক লাউথোকখিবা নুমিৎকী পুংজা খরগী মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর পূম্নমক্তা দিফেসমেন্টকী ওর্দর অমা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন খুদিংমক্না থোকখি। ওর্দর অসিদা পল্লিবনা দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্তা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা মরী লৈনবা বেনর, পোষ্টর, ফিরাল, হায়জ-নোনজবগী চাংদম ওইবা করিগুম্বা অমত্তা থেৎপা-নপ্পা য়ারোই। করিগুম্বা মদুগুম্বা মওং অদু থেংনরবদি খুদক্তা লৌথোক্লবা অকনবা ওর্দরনি হায়বা তাই। পাউ অসি হেক ফংবগা মথৌ খঙলবা তম্পাক্কী অর্বান এরিয়াদা লৈবা টাউন খুদিংমক্না অউপ্পা উনা লোংথোক, অরোংবা উনা উপশিন থীবা য়াবা থীদুনা য়াম্না কন্না হোৎনখি।

মখা তারকপদা ইলেক্সন দ্যুটিগীদমক পোল্লিং পার্সনেলশিংগী ত্রেনিং পীবা অসিনা অনীশুবা থৌরম ওইখিবনি। হৌখিবা জান্যুৱারী ১২, ২০১৭ তা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার বিষ্ণুপুরনা খূৎয়েক পীদুনা প্রিসাইদিং ওফিসার ওইগদবা মীওইশিংগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর থোক্লকপদা ঐগীসু য়াওরক্লে। ওর্দর অসি রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপল এক্ট ১৯৫১ সেক্সন ২৬ কী মখাদা অঙম্বা শীজিন্নদুনা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার বিষ্ণুপুরগী ওর্দর অসি হন্দক্তি ঙন্না থোরকই। থেংলবসু ঙল্লবসু ইলেক্সন্দা লৈঙাক্কী থৌমীশিং থৌদাং ওইনা শীজিন্নবা হায়বসিদি মশানা তাবনি। অদুবু হন্দক্কী বিষ্ণুপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা মাঙজৌননা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিগী নুংগী ওইবা ৱাফম অদু তারুরগদি য়াম্না নুংশিবা ফাওই। মরমদি চহী লিশাং শিংনা লৈঙাক্কী থৌমী ওইরকপদা মপূং ফারবা থৌমীশিংগী মতম অয়াম্বা লোইনরকপনা মাঙজৌননা পোল্লিং পার্সনেল খন্দোকপগী তাঞ্জা লৌজবনি হায়বা ৱাহৈসিনা পূম্নমক অঙনবা ওর্দরগী ময়াই চমখ্রে। অশেংবনি চহী ২/৩ সিদা লৈঙাক্কী থৌমী ওইরম্বা কয়া পোথাবগী মতাং খংয়ৌ য়ৌরক্তুনা হান্নগী লৈরম্বা চাংদগী ফনা ফজনা হন্থনবা হায়বদু ওইরখি। অদুমকপু মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সনেল কয়াগী অৱাৎপদা মেনখৎপা ঙল্লোইদবনা হন্দক্তি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পোল্লিং ষ্টেসন অমদা শুপ্নগী পোল্লিং পার্সনেল মরিদগী হেন্না থাদনবগী পান্দম থল্লি। মমাঙদদি পোল্লিং ষ্টেসন অমদা পোল্লিং পার্সনেল মঙা মঙা থাদুনা অকূপ্পা মথৌ তৌহল্লম্বদু হন্দক্তি মরিনা শিনগদৌরিবনিনা পার্সনেলশিং মমিৎ মনা শিংবদি য়াম্না মথৌ তারি। ই ভি এম মেছিনশিংগী শীজিন্নফম মথৌ পূম্নমক প্রিসাইদিং ওফিসারখক্তা নত্তনা পোল্লিং ওফিসার খুদিংমকসু ঐ ইশাগী থৌদাংনি খল্লগা ৱাখল তামিন্নবা মথৌ তারি। পূম্নমক চৎমিন্নরিবা মীওইশিংগী অপূনবগী পাঙ্গলনা পাঙথোকপা হায়বদু লোইনমক্না পাম্নরমগনি। মরম অদুনা ইলেক্সন দ্যুটি য়াম্না কুপ্না খঙবা মথৌ তারি। মসিমক্তননি ঙন্না খঙহৌ উহৌবা হায়বসিগী পান্দম দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার বিষ্ণুপুরনা শিনখিবদো। চহী ৫/৫ গী জেনরেল ইলেক্সন্দা নত্তনা এম পিগী, পঞ্চায়েটকী অমদি ম্যুনিসিপালিটিগী ইলেক্সন ফনা য়াওরবসু চহী ৫ গী মনুংদা অমুক্তা থোকপা থৌদোক্নিনা হেক্তমক্তি কাউরিবসি।

অসুম্না লাক্কদৌরিবা ১১ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী জেনরেল ইলেক্সন্দা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী এস সী ৬ কী মনুংদা অমদা হেক্তা পোল্লিং ষ্টেসন অমা পুরুনবা প্রিসাইদিং ওফিসারগী ত্রেনিং য়াওরুরে। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পোল্লিং ষ্টেসন ২২৭ লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অসি এ সী ৬ নি। নম্বোল এ সী, বিষ্ণুপুর এ সী, মোইরাং এ সী, থাঙ্গ এ সী অমদি কুম্বী এ সীনি। হায়রিবা এ সী ৬ লৈবগী মনুংদা হাইপর সেন্সিটিব এ সীনি হায়দুনা নম্বোল এ সীবু ত্রাইয়েল ওইনা চথনবা ভি ভি পেদ শীজিন্নগদৌরি। ভি ভি পেদ শীজিন্নগদৌরিবা নম্বোল কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক্তসু মাইক্রো ওবজার্ভর থম্নবগী তঙাইফদবসু মুন্না খন্নরি। হৌখিবা জান্যুৱারী ১৮, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১.৩০ তাদ্রিঙৈদা সর্ব শিক্ষা অভিয়ান হোল বিষ্ণুপুরদা থুংখিবদো ত্রেনিং অসিগীনি। ওর্দরগী মতুং ইন্নদি অয়ূক্কী পুং ১১.৩০ দগী হৌগনি হায় অদুবু পুং ১২.০০ খরা কল্লপ হৌখি। মোইরাং সব দিভিজনগী এস দি ওনা ত্রেনিং অদুগী এক্সপার্ট ওইবিদুনা ই ভি এম অমদি ভি ভি পেদ শীজিন্নবদা খূৎলোয়নবা শন্দোক্লা তাকখি। ভি ভি পেদ হায়রিবা প্রিন্টর মখল অমগী মেছিন অসি নম্বোল এ সীখক্তদা শীজিন্নবা তারবসু হৌজিকমক্কী ওইনদি পোল্লিং মফম খঙদ্রিবনা পূম্নমক খঙবগী মথৌ তারিবনি। মমাঙদদি রিটর্নিং ওফিসার অমনা এ সী অহুম অহুম পুরম্বদু হন্দক্তি রিটর্নিং ওফিসার অমনা এ সী অনীখক্তগী হেন্না পুহন্দ্রে। য়াম্না নুংশিরিবদি লাক্লিবা ফেব্রুৱারী থাদা পেন্সন চৎলগদবা ত্রেনিং মতমদি নঙলবসু ইলেক্সন দ্যুটিদি য়াওজখিগে হায়রবসু য়াররোইদবা ওফিসার অনী অহুম য়াওরম্বদুনি। মখোয়শিং অদুবু উবদা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা য়াম্না ইকায়খুম্ননা মীয়াম মরক্তা মীকুপ অমত্তা ওইরবসু পোখাজসনু হায়দুনা য়াওহনবনি হায়বা মীনুংশি উৎপীখিবা অদুনি।

ত্রেনিং সেসন মনুংদা মোক পোল করম্না তৌগনি, টেন্দর ভোট করিনো, রিফ্যুজ ভোট কদাইবু কৌই অতে অতে কয়ামরুম শন্দোক্লা তাকখি, নৈনখি। ঈ ভি এম করম্না শীজিন্নগনি হায়বদা লায়না উরবসু প্রেক্টিকেল ওইনা তৌরকপদা তান্নবা মতম ফংলোইদবনা হায়রিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি য়াম্না মরু ওইরি। খজিক্তং হেক শোয়খিবদা রি পোলগী খুদোংথিবা নংগদবা ইলেক্সনগী দ্যুটিনি। হীরম খুদিংমক অকুপ্পগী অকুপ্পা ঙাক্তনা লোইনরিবা ইলেক্সন দ্যুটি পার্সনেলশিংনা য়াম্না মীকুপ নাহুম শিংবা মথৌ তারি হায়জনীংই। অদুবু হন্দক ইলেক্সন কম্মিসন্না পায়খৎকনি হায়দুনা লাউথোকখ্রবা থৌরম কয়া থবক্তা ওন্থোরকপগী মমি ইলেক্সন অর্জেন্টকী খুদম ফংলি। মমাঙদদি পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক্তা টোইলেট ফেসিলিটি লৈতবগী খুদোংচাদবদু হন্দক্কী কুমজা ২০১৭ ইলেক্সনসিদদি থোকহল্লোই হায়খিবদুগী খোঙথাং পোল্লিং ষ্টেসন খরদা লেত্রিন শাবা ৱারেং অসি ইরিবা মীকুপ ফাওবদা হৌবগী খুদম ফংজরে। অদুগা পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংক্তা সী সী টি ভি কেমেরা খিনগনি হায়রি। অমনা মমাঙদা চৎন কাঙলোনবুদি লৈ হায়রবসু থবক ওইনা ওন্থোকই ওন্থোক্তে হায়বদু থেংনখিদ্রবসু হন্দক্তি শোয়দনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকনি হায়রি। পোল্লিং ষ্টেসন্না কোনবা মিটর ১০০ গী এরিয়া মনুংদা জেদ কেটেগোরি চিংবা ভি ভি আই পিগী এস্কোর্ট নত্তনা খূৎলায় পায়বা সিক্যুরিটিগী মীওই অমত্তা চঙহল্লোই হায়রি। চৎমিন্নরিবা সিক্যুরিটিগী পার্সনেল ওইরবসু খূৎলায় য়াওরবদি পোল্লিং বুট মনুংদা চঙবা য়ারোই। ভি ভি আই পিগী এস্কোর্ট ওইরবসু বোদি গার্দ ওইনা অমখক্তদগী হেন্না চঙবসু অয়াবা পীদে। চঙগদৌরিবা গার্দ অদুগী খূৎলায় অদুসু মীয়ামদা ফোংনা উহনবা তৌরোইদবনি। করিগুম্বা ভি ভি আই পি অদুসু পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক্তা মনিং তৌনা চঙবগী অয়াবসু পীরোই। চঙবা তারবসু অয়াবা পীরিবদি ভি ভি আই পি অদুগী ভোটর য়াওবা পোল্লিং ষ্টেসন অদুখক্তদা চঙগদবনি। অদুনা মণিপুরগী ওইনদি জেদ কেটেগোরি এস্কোর্ট ফংবা ভি ভি আই পি অসি শুপ্নগী চীফ মিনিষ্টর খক্তনি। অদুনা মসিগী খুদোংথিবসিদি অদুক হাক্না চয়েৎনররোই।

হন্দক্কী ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি য়াম্না মরুওইরি অমদি কাঙলোন চুম্না পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং অমদি শোয়দনা ওইগনি খল্লি। অদুগা পোল্লিং পার্সনেলশিং পোল্লিং ষ্টেসন তান্না থীবগী থবকসু অমগা অমগা ঙাইনবদু থোক্তনবা য়াম্না কুপ্না য়েংদুনা লন্নাই দিজল ওটো ফাওবা শীজিন্নগনি হায়রিবসি অচৌবা অহোংবা অমনি হায়না লৌবা য়াই। অদুগীসু মথক্তা হন্দক্তি পোল্লিং পার্সনেল খুদিংমক্কী লঞ্চ পেক প্রোভাইদ তৌনবা শেম শাবা লোইরে । হায়রিবা অনৌবা খোঙথাং অসিমদি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পোল্লিং পার্সনেলশিংবু য়াম্না মরুওইনা লৌবগী খোঙথাংনি হায়নীংই। অশেংবনি পোল্লিং ষ্টেসন অদুগী খ্বাইদগী মরুওইরিবসি ভোট নুমিৎতুগী ওইনা পোল্লিং পার্সনেলশিংনি। মরমদি মখোয়গী থৌদাং নৎত্রবদি পোল্লিং ষ্টেসন অদু মীখল পাঙথোক্কে হায়বা য়ারোইদবনা মরুওই হায়রিবনি। অদুগা হন্দক্কী ইলেক্সনগী য়াম্না মরুওইনা পার্সনেলশিংদা খুদোংচাবা ফংহনগনি হায়না থল্লিবা ৱাফম অমনা পোষ্টেল বেলোটনি। বেলোট অসি য়ারিবমখৈ দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা থৌমী ওইরবদি পোল্লিং পার্সনেল ওইনা দ্যুটি চৎপা হৌদ্রিঙৈদা মখূৎতা শিন্ননবা থল্লিবা পান্দম অসিনি। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট ৱাংমা লানবা তারবসু অঙম্বা মতেং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না পাংগনি । হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ১১ শুবা জেনরেল ইলেক্সন ২০১৭ অসি য়াম্না মচং ওইবা অমদি য়াম্না কুপ্না য়েংবগী মমি তারি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী ওইনা। মমাঙদদি ইলেক্সন ওইরবসু পোল্লিং পার্সনেলগী করিগুম্বা অমত্তা লুনা খনবীদবগী মমি য়াম্না চাউনা তাখি। দ্যুটি চৎনবগীদমক নোংমা ৱাৎলিঙৈদগী পোল্লিং পার্সনেল খুদিংমক অয়ূক্কী পুং ৭/৮ দগী রিপোর্ট তৌহন্দুনা নুমিৎয়ুংবা মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর থাদোকহনবগী চৎনবীদু হন্দক্কী অসিদদি মদুগী অৱাবদু লৈহন্দনবা হোৎনগনি । চুম্নগী চীন্না হায়বদা নত্তনা লৌখৎলক্লিবা লেত্রিনগী ফেসিলিটি ফংবা হৌরবনিনা পূম্নমকসু থবক্তা ওন্থোরক্কনি থাজরি। হৌখিবশিংদি অমা অমুক ঙাইনা, অমা অমুক ঙাইনা পোল্লিং ষ্টেসন য়ৌবদদি নুমিৎ পুংতা তারে। হায়রিবা চৎনবী অসি অচৌবা অহোংবা লৈহনগনি হায়দুনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা অকনবা ফিরেপ লৌরি তাবদা পোল্লিং পার্সনেল অমা ওইনা ঈ সী আইবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। হৌজক মফম খুদিংমক লু-নান্না অমদি ওপন দিফিকেসনগী অচৌবা শীংনবা অমা ওইরক্লবা মতমসিদা পোল্লিং ষ্টেসন অয়াম্বদা ওইরিবা দিফিকেসনগী মওং অসি হন্দক ঈ সী আইনা লুম্না লৌরম্বা অসিমক্না অফবা মায়োন অমদি ওইরনি খল্লি। অশেংবনি মফম অদুবু মোৎহল্লিবা, কামশিল্লিবা অতৈ কনানা নত্তে, ঐখোয় ইশাননি। করম্বা মতমদা ঐখোয় ময়াম অসিবু পূন্না ৱাখল তামিন্নদুনা ইংনা শান্তি ওইনা পুকচেল খোইজেল তিন্ননা বন্দ, ব্লোকেদকী চৈথেং ফংদনা হিংমিন্নরক্কদবা মীকুপ্তুবু করম্বা মতমদা ওইরক্কবা।

অরোইবদা, ইলেক্সনগী মথৌ পাঙথোকপা লোইদুনা পোল্লিং ষ্টেসনগী পোল্লিং মেটরিয়েল খুদিংমক দিষ্ট্রিক্টতুগী ঈ ওদা শিন্ননবা হোৎনবদা য়ামদ্রবদা নুমিদাংগী পুং ১০ গী মতুং অয়াম্বা তানরি। মসিদা পোল্লিং পার্সনেলবু ময়ূমদা থীন্নবগী ট্রান্সপোর্ট মতিক চানা লৈতবগী খুদোংথিবা থোক্তনবা কন্না হোৎনগনি হায়রিবসিমক অচুম্বনি খল্লি। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে পূম্নমক্তা য়াইফনবা শান্তি ওইবা ইলেক্সন অমা ওইহনগনি হায়রিবা ঈ সী আইগী খোঙথাং অসি মায় পাকপা ওইরসনু হায়না থমজরগা প্রোগ্রাম অদুগী ৱারোইশিন ওইজরে।